ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

ꯂꯩꯕꯥꯛꯄꯣꯛꯄꯥ, ꯐꯦꯕ꯭ꯔꯨꯋꯥꯔꯤ ꯰꯹, ꯲꯰꯲꯱, ꯏꯝꯐꯥꯜ

꯴꯴ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯳꯱꯲ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ

লৈবাকপোকপা, ফেব্রুৱারি ০৯, ২০২১, ইম্ফাল

৪৪শুবা চহী, ৩১২শুবা মশীং

# ইন্দো-ম্যান্মার ফ্রেন্দশিপ গেট

## অথিংবা মখা তানা থমখিবনা লল্লোন-ইতিক তৌরিবশিংদা চৈথেং ফংলি

মণিপুরদা মীয়াম্না শীজিন্নরিবা চান-থক্লবা য়াওনা মখল কয়াগী পোৎলম অয়াম্বা ম্যান্মাররোমদগী মোরে ফাওরগা পুশিল্লক্লগা শীজিন্নরিবনি। ম্যান্মাররোমদগী পুশিল্লকপা চান-থক্লবা পোৎলম কয়া মহাও লৈবা, মশক ফজবা অমসুং অহোংবা চীঞ্জাক ওইবনা মীয়াম্নসু হেক্তমক লৈরগা শীজিন্নে। নুমীৎ খূদিংগী লমদমসিগী মীয়াম্না তঙাইফদনা শীজিন্নদবা য়াদ্রবা পোৎলম কয়ামরুম ম্যান্মারদা তাঙবগা মান্নরিবনি। হায়রিবা পোৎলমশিং অসি ম্যান্মারনা শারিব্রা নৎত্রগা চাইনানা শারগা ম্যান্মারগী খুথাংদা ইন্দিয়াদা থাজিল্লক্লিব্রা হায়বদুসু চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। চহী কয়াগী মমাঙদগী হৌনা ম্যান্মারগা ইন্দিয়াগগী মরক্তা অফবা মরী থম্নদুনা লল্লোন-ইতিক্কী থবকশিং নাকল অনীমক্লা খুন্মাং চাউশিন্না চথদুনা লাক্লিবনি। মরুওইনা ম্যান্মারগা ইন্দিয়াগা মরুপ-মপাং ওইবদগী কান্নবা য়াম্না ফংখ্রে। অদুবু ইন্দিয়াদি কান্নবা ফংবগী মমি ইতা তাদ্রি। অমরোমদা ম্যান্মাররোমদগী নারোন্দা পুশিল্লকপা লোনা য়াদবা পোৎলমশিং পুথোক-পুশিন তৌবগী ফাবা পুনবগী থৌদোক কয়ামরুমসু তোয়না থোক্লিবনি। সনা খৌজাও খৌজাও কয়া নারোন্দা পুরুবগী মীওই কয়া ফাখিবা লৈখ্রে। হিরোইন, কানি নৎত্রগা দল্লিয়ু ৱাই টেব্লেটনচিংবা ময়াই কাবা পোৎলমশিং পুথোক-পুশিন তৌবশিংসু লেপ্পা লৈতনা ফারি। মসিনা তাক্লিবদি ম্যান্মারগা ইন্দিয়াগা লল্লোন-ইতিক্কী থবক তৌনরকপদা লোনা য়াদবা পোৎলম পুথোক-পুশিনগী থবকসু নারোন্দা চথৈ হায়বসিনি। লৈবাক অনীগী মরক্তা হেন্না অফবা মরী থম্ননবা অমদি লল্লোন-ইতিক্কী থবক্তা হেন্না খুন্মাং চাউশিন্না চঙশিন্ননবগীদমক ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকা ম্যান্মার ওথোরিটিগা য়ানখিবগী মতুংইন্না ম্যান্মারগা ইন্দিয়াগা ভিজা য়াওদনা কিলোমিটর ১৫ ফাওবা চঙথোক-চঙশিন তৌবা য়াহনখ্রে। মসিগীদমক কুমজা ২০১৮গী ওগষ্ট ৮দা হৌনবী মতুংইন্না রিবন কক্তুনা লৈবাক অনীগী বোর্দর হাংখ্রে।

চাইনাগী ৱুহান সিটিদা কুমজা ২০১৯গী লোইরমদাই শরুক্তা কোভিদ-১৯গী কেস অহানবা ওইনা থেংনখি। লায়না-লাইচৎ অসি মালেমগী তোঙান-তোঙানবা লৈবাক কয়ামরুমদসু শন্দোরকখি। ইন্দিয়াদসু কুমজা ২০২০গী জন্যুৱারী থাদা কোভিদ-১৯গী অহানবা কেস থেংনখিবনি। অদুবু হৌজিক্তি লায়না-লাইচৎ অসি তপ্না তপ্না লাকশিল্লক্তুনা কেস মশীং অদুক্কী মতিক হন্থখ্রে। ম্যান্মারদনা কুমজা ২০২০গী মার্চ থাদা কোভিদ-১৯গী অহানবা কেস থেংনখিবনি। অনা-লায়েংগী খুদোংচাবা কা হেন্না লৈত্রিবা ম্যান্মারদদি লায়না-লাইচৎ অসি লাকশিন্ননবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লদুনা লাকখিবনি। মীওই কয়াগী পুন্সি মাঙহল্লিবা লায়না-লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্লনবা অমদি শন্দোরকপা থিংননবগী পান্দমদা ম্যান্মার ওথোরিটিনা থা কয়াগী মমাঙদগী ইন্দো-ম্যান্মার ফ্রেন্দশিপ গেট নম্বর ১ অমসুং ২ থিংদুনা লাকখিবনি। অথিংবা অসিগী মতাংদা থা-থাগী ওইনা তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী দেপ্যুটি কম্মিস্নারদা চেরোল থাদুনা খঙহল্লকপনি। হৌখিবা ফেব্রুৱারী ৬তসু ম্যান্মারগী তমু দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেটর চিয়ো ৱিন ঊনা তেংনৌপলগী দি সীদা অইবা চেরোল অমনা থারক্তুনা ইন্দো-ম্যান্মার ফ্রেন্দশিপ গেট নম্বর ১ অমসুং ২ লাক্লিবা ফেব্রুৱারী ২৮ ফাওবা মখা তানা অথিংবা থমখিগনি। অথিংবা অসি ম্যান্মারগী মায়কৈদগী কোভিদ-১৯গী লায়না-লাইচৎ শন্দোরকপা থিংননবা অমদি কন্ট্রোল তৌনবগী পান্দমদা থম্বনি হায়নসু খঙহল্লকখিবনি। ইন্দো-ম্যান্মার ফ্রেন্দশিপ গেট অসি থিংদ্রিঙৈগী মমাঙদা নুমীৎ খূদিংগী লমদমসিগী মীওই কয়ানা ম্যান্মাররোমদগী তোঙান-তোঙানবা পোৎলম কয়া মোরে ফাওদুনা পুরক্লগা লল্লোন-ইতিক্কী থবক তৌদুনা ইমুং-মনুং পুনরম্বনি। অদুবু হৌজিক্তি অথিংবা অসি লৈখিবদগী মতম কুইনা লল্লোন-ইতিক্কী থবক লেপ্তুনা লৈরকপা কয়া য়াওরি। ম্যান্মারগী মায়কৈদগী ইন্দো-ম্যান্মার ফ্রেন্দশিপ গেট মখা তানা অথিংবা থমখিবনা লমদমসিগী লল্লোন-ইতিক তৌরিবশিংদদি চৈথেং চাউনা ফংলি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১১

(১) মণিপুরীদা ইহান হানবা মপূঙ ফানা শাংবা দ্রামা শান্নদুনা উৎখিবা অসি করম্বা চহীদনো? দ্রামা অদুগী মমিং করি কৌবগে অমদি কনানা ইবনো?

(২) হৌখিবা চহী ২০২০ গী ওক্তোবর থাদা 'উশিন' হায়বা লাইরিক অসি ফোঙখি। লাইরিক অসি কনানা ইবনো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

(৩) 'ত্যাগপত্র' হায়বসি কনানা ইবা লাইরিক্নো অমসুং মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে?

(৪) শক্লাইরবা কলাকার অমনা 'শ্রীশ্রী গৌড় গোবিন্দগী থৌরম পরেং' হায়বসি ইদুনা পুথোকখি। কলাকার অসি কনানো?

(৫) 'শগোল তোংবা কাইরংবা/নঙবু তোংবা য়াঙদেদা/লমগী পানা খোঙশাংবী/নঙবু শায়বা ঙাঙদেদা/ইমিং ইমাঙ হাইরৌনা/খুবাক হাইরৌনা/হংচে কোল্লো।' শৈরেং মতেক অসি অরিবা শৈরেং অমদগী লৌথোরকপনি। করি শৈরোংদগীনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ফেব্রুৱারী ১৫, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# পৌরাবীগী জীঙু পার্কতা লমকোয় চাকচা অমা

হেক্তা হায়নীংলকই - ৬৪০

**জিতেন নামৈরাকপম**

মমাঙগী কুমজা ২০২০না অৱাবা পীবিখিবা, মদুসু মীপূম খুদিংমক্তা হৌজিকসু মনম কোক্ত্রিবা কোভিদ-১৯ হৌজিক্তি চজিক ৱা ওইরক্লে। কোভিদ-১৯না ঐখোয় পূম্নমক্তা অসুক্কী মতিক খুদোংচাদবা থোকহনখি। ইমুং-মনুং, মরী-মতা, মরুপ-মপাংশিং ফাওবদা সোসল দিষ্টেন্সিং থম্নদুনা শাথীখ্রবা লায়নাদুনা লান্দারকপদা ঙাকথোক্লবা নিংথিনা চেকশিন্না হোৎনমিন্নখি। অদুবু হৌজিক্তি মদু ওইদ্রে। পোজিটিভ ওইবগী পাউ খরা খরা তান্নরবসু কনানসু মদুবু থওইনদ্রে। ফীট তরুক লাপথোকপা কাউথোক্লখ্রে। লৈঙাক্কী ওইনদি এস ও পি ঙাক্লা চৎপীনবা রেদিওদা, টি ভিদা করিদা ঙসিসু লাউথোকপা লেপত্রি। হৌজিকপু ঐখোয়গী লমদম অসিদা মীওই খরখক্লা মাস্ক উপ্তুনা চৎপা উনরবসু অয়াম্বনদি চিন, নাতোন খুম্নদ্রে। মমাঙ চহীদা মাস্ক, সেনিটাইজর, মহীক হাৎনবা নৎত্রগা কন্ট্রোল তৌনবা গুলি য়োনবদা লুপা লাখ লাখ তাননখিবশিংদু পোৎশিংকী চাং জিরোদা হন্থখ্রে। হায়রিবা পোৎলমশিং অসি লৈবা খক্তদা ইমুং অমনা য়ামদ্রবদা লুপা লিশীং ৪/৫দি তিংনখিবনি। লায়র-ইনাকখুনবা নাইদনা তিংনখিবা শেলনা মণিপুরগী ওইনা লুপা ক্রোর ক্রোরনা খুজিং ওইরমগনি। শেল অরেম্বদা তিংহনখিবদা নত্তনা তোলোপ চাবা মী নত্তনা নোংমগী শুরগা ইমুং পুনবা অমদি প্রাইভেট ইষ্টাব্লিসমেন্টশিংদা থবক তৌবা পূম্নমক চপ লেপ্নখি। থবক তৎপসু য়াওনখি। অদুবু হৌজিক্তি নোর্মেলসিদা অমুক হঞ্জিল্লকপা থেংনরে। হায়র ক্লাসকী মহৈরোয়শিং স্কুল কানরকপা উবদা পূক্নিংদা হরাউ নুংঙাইবা ফাওরকই। পেসেঞ্জর গাড়ীশিং চেনবা হৌরকপদগী ত্রাফিক জাম থোকপগী চাংসু হান্নগী ফীভমদা লাক্লে। সিনেমা হোল হাংলে হায়না পাউচেদা হাপ্লকখ্রে। খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল ইম্ফাল ময়োলগী ইমা কৈথেলসু হাংনবগী মতম লাউথোকখ্রে। পূম্নমক অসি ওইদুনসু কোভিদপু ঐখোয়না মীরাইরুবদি য়াদ্রি। হান্নগীগুম চেকশিনবগী তঙাইফদবা লৈরি।

হে কোভিদ শাথীবী লায়না নহাক অসি ওন্থোক্লা মচোম্পাক নাইখিদ্রে। মালেম পূম্বগী মীয়ামদা হায়নীংঙাই লৈতনা ওৎখ্রেদা। মীয়াম্বু ওৎপীখিবা, ৱাহনখিবগী মনীল হৌজিকসু কোকপদি নৎত্রি। মতম কুইনা শেন্থোক লম্বী থদৎপীখিবগী মহয়না শ্বর মনিং মমাঙ শম্নদবগী ফীভমদা হিংবা ইমুং কয়াসু লৈরি। মীঙোন্দগী শেল পুশিল্লুবদগী শীংবা ঙমদ্রিবগী মথক্তা নে-তানা হিংবা ঙমদ্রিবা ইমুং কয়া কয়ানি।

অদুবু কোভিদকী লোকদাউন অমদি থিংদোক থিংজিন হন্দোকখিবদগী পোন্দা ফাজিন্দুনা থম্লম্বা উচেকনা থাদোরকপদা অতিয়াদা নীংতম্না পাইজবগুম মতু-মমান খিংনরে; পূক্নিং ৱাখল মকা লাম্নরে। মীওই কয়ানা ফাজিন্দুনা লৈরম্বা ৱাখল পূক্নিং নৌথোকহন্নবগী পাম্বে ওইনবা টুরিষ্ট সেন্টরশিং হাংদোকখিবা হৌখিবদগী মী কৃক-কৃক ইন্ননা পূনবা থেংনরকখি। মদুদবু সোসল দিষ্টেন্সিংগী ৱা কদায়। সোসল দিষ্টেন্সিংগী ৱাদি শুকলৈবু লৈখিদ্রে। সেনিটাইজরগী ৱাসু কাউথোক্লখ্রে। খূৎ-শা তোয়নসু হাম্নখিদ্রে।

নহান নোংমাইজিং নুমিৎ অদুদি ইঙ্খোলনুংগী ফেমিলি পূম্নমক লমকোয় চাকচা তৌরুরসি লেপ্নদুনা ফোর হ্বিলর গাড়ী ৪দা মীওই ২৪ পূন্না কোয়বা চৎমিন্নরুই। লেপ্নখিবা পিক্নিক স্পোটনা ইম্ফাল ইষ্টকী মুইরৈ ভিলেজগী চীংলোন লান্থোক্লগা লৈবা চাদোংদনি। রামারৈ ইকো টুরিজম পার্ক চাদোং তম্না অয়ূক্কী পুং ১০ তাবদগী চৎপা হৌই। ইম্ফাল ময়োলগী ত্রাফিক পোইন্টশিংদা ত্রাফিক জাম লান্থোক্তুনা খুরাই লমলোং তুংওইনরল্লগা শওম্বুং য়ৌ-খবদু পংকুই কুইনা চঙখিববুদি নত্তে। অদুগা থেংনরে কুম পুরবা শওম্বুং থোং! ফনসু হায়বা শাবনি কুইবদি কুইরে হে। করি তৌবিবনো খঙদে থোং শারিবনি হায়দুনা তৌরিবসিনা শুক্লোই লোইশিনবা ঙমদে। নুমিৎতু থবক শুবা মীসু অমত্তা হেক থেংনরকখিদে। মদুনা হান্নগী থোং অরিবা অখুবদুদা লান্থোক লানশিন তৌবদা ত্রাফিক জামদি অদুম্মক থোক্লবনি। ঐখোয়গী পিক্নিক পার্টিগী গাড়ী পূম্নমক শওম্বুং কৈথেল য়ৌরমদাইগী দুকান পরেংদা খামদুনা কুমথনরে। ইচাশিংগী, ইশুশিংগী নুংশিৎ মপী হানবী মবুক কংবী অচাপোৎ, কেক, বিস্কিট, ঈশিং বোট্টল লৈবীরে। হুইনা দোলাই তোংহল্লগা .... করি করিনো তৌই হায়বগুম তুংদা হুল্লম্বা মীহুল পীং কাংলকই। ফনা কুইনা থকপা লেপ্লুরবনি হকচাং অসি কয়া নুংঙাইত্রে হায়দুনা ব্রান্দবুদি ইফ ফবা নত্তে। ফংবসু ফংদে মেকদুয়ল চেপ্তা অনী লুপা ৩৫০/৩৫০ চপ মান্নে। বিয়র কেন অনী অমগা মমল হায়রপ মান্নে। অমুক চঙশিল্লুই মখোয়গী ভেন্দরগা হায়নবদো, অদুদা! লৈরমই ওক, য়েন, ঙানু অথোংবা, অতাউবা, অফুৎপা পেক তৌহল্লি।

অসুম্না অঙাংশিং চাক লাম্বা য়াওরক্লনি খন্নদুনা শওম্বুং কৈথেল তুংওইনরল্লে। অদুগা কাপশিল্লি চাদোং তম্না। চীংমাই অমা লান্থোক্তুনা চীংনা পুমকোয় কোয়শিনবা পাকখ্রবা ঈশিংগী পাৎ অদু উরে। অদুবু লাইবক থীবদি রামারৈ ইকো টুরিজম পার্ক অদু থীংজিন্দুনা লৈরল্লে। হাঙলমদ্রে। কান্নপোৎতে মসিদি খন্নদুনা নৌনা হাংবনি হায়নবা পৌরাবিদা লৈবা জীঙু পার্ক এন্দ রিজোর্টতা ওইনা থুংলুরে। লম্বীগী ৱাদি ফজরে। সহারা মরুভুমী অমদি ইন্দিয়াগী থার দিজার্টকী উফুল্লক্তা পুন্সমনি। অদুবু মীওই কৃক কৃক ইন্ননা গাড়ী ১০০গী মথক্তা পার্কিংদা থাদুনা লৈরম্মী। চিলদ্রেন পার্কতুদা অঙাংশিং নুংঙাইনা শান্নহল্লি। টিক পাম্বী মরক্তুদা চাকথোং হট ময়াম অমা শাদুনা থম্বদুনা অরাকপা মীওইশিংনা চাক এঞ্জাং নুংঙাইনা থোংহন্নবা, পোথাহন্নবগী নুংঙাইবদি পীরি। মওং তানা শেমগৎপীরগদি তুংদা টুরিষ্ট মরাং কায়না লাকহল্লগনি খল্লি। পিক্নিক পার্টি মরক্তগী কলাকার, ৱারক্কী কলাকারকা হায়বদো মখোয়না মায়কৈ কয়া কয়াদগী লাইএফোন্দা শক্লকপা ঈশৈগী খোঞ্জেলতনা চীংগোনগী অচিকপা থুগাইরকই। অদুবু নুংঙাই তশেংনা নুংঙাইখি জীঙু পার্ককী পিক্নিক। ইম্ফাল ইষ্ট লোমসি ঐগী ওইনদি য়াম্না তাঙনা চৎপা খোঙচৎনি। লম্বী থোং ফজনা শেম্বীরগদি মীয়াম্না শোয়দনা পেন্নগনি। ৱাখল অসি খল্লদুনা জীঙু পার্ককী নুংঙাইবা পুরদুনা ঐখোয় পূম্নমক ইয়ুম মায়কৈ পাংলকখি। ●

# ঈনাৎলা, মীনাৎলা য়োকখৎকদবসি ! - ৬

ৱাখল ইহুল

**সোরাম ইবোহল লুৱাং**

নুমিৎ অসিদা ইনিংথৌ লাংওল নিংথৌ অপানবা ওকেন্দ্রজিৎনা নোংখ্রং পরৈহনবগী অইবা চেরোল পাথোকখি। নোংখ্রং ইরুপ্তুনা ৱাশক পরৈ পুনখিবা অদুবু ৱাশক পরৈ হনবীখি। নোংখ্রং ইরুপখিবা অদু ঈহনখি। মথং মখা তারকপা ওইনা নিংথৌ অসিনা পাঙথোকপীরম্বা য়াম্না মরু ওইবা থৌদোক অমদি - কুমজা ১৯৯২গী এপ্রিল থাগী চৈচৎ ২৩, শজিবুগী ২১নি পানবা শগোলশেন নুমিৎতা ইনিংথৌ অসিনা হিন্দু লাইনীং থাদোক্লে, লাইনীং অসিগী মহুত্তা মীতৈশিংগী অরিবা লাইনীং অদু অমুক হিংগৎহল্লে হায়না লৈবাক মীয়ামদা অসুম্না লাউথোকখি - "I open the Lubak Tabu and abandon Hinduism as state religion and recognition is hereby withdrawn by the Royal Customary Law of the country, instead the Royal Customary Law revives the Lainingthouism as state religion" - King Okendrajit, declaration of Revival Sana Konung, 23/4/1992. (চীংঙু মায়চৌ লৌরেম্বম খোংনাংথাবা, অইবা সাইরেম নিলবীর, লা: ৩৬)। মসিগী মখা তারকপদা ঈনাৎকী লাইনীং লূপ কয়াগী লাইনীংলোইশিংনা থাগী অফবা থবান অমদি নুমিৎতা নোংখ্রং ইরুপ্লগা পরৈহনবগী থৌরমশিং লেপ্তুনা পাঙথোক্লরক্লি। মসিদা চিংথ নান্থবা অমদি 'লাইনীং লম্বেল লান্না মীরম লাইনীং চৎলুরবশিংবু ঈনাৎকী অচুম্বা লাইনীং লম্বী/ঈচেলদা হল্লক্লবগীদমক থোঙ লাউনা হাংদুনা থল্লিবা অমদি লাইনীং নামুংবা কোক্লবা থৌরম পাঙথোকপা হায়বসিনি।"

ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মখাদা হৌজিক ফাওবদা ষ্টেট মশীং ২৮, য়ুনিয়ন টেরিটোরি মশীংনা ৮ মথংশিৎনা লৈ। হায়রিবা ষ্টেটশিং অমদি য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিং অসিদা লৈরিবা মীশিংসি কাঙলূপ মান্নদবা, চৎন-লোনচৎ মান্নদবা কয়াগী মনুংদা মান্নবা খরা খরা য়াওরগা ইয়ান য়ান্নরগা লৈনরিবমক্তনি। কয়াম খেন্নবগে হায়বদা লমদম অমগী মী অমনা অতোপ্পা লমদম অমগী মী ফাওবা উশিৎনদ্রিবনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। খুদম, খরা হেন্না জিওগ্রাফিকেল এরিয়াদা চাওবা, চাওখৎপা খরা হেনবা ষ্টেট/টেরিটোরিশিংদা লৈবা মীওইশিংনা খরা পিকপা লোয়ননা চাওখৎপসু খরা ৱাৎপা ষ্টেট/টেরিটোরিশিংগী মীওইশিংদা (মীশক মীশক্কী খরদি য়েংলগা) অয়াম্বা মতমদা হন্থবা/মান্নদবা মীৎয়েং য়েংনবগী মতিক চাবা খুদম কয়া মতম অমদা থোকখিবা থৌদোক ৱাথোকশিংগী মরমদা নেসনল অমদি লোকল পেপরশিংদা ফোঙনখিবশিংদুনা তাক্লবনি। লোয়নমক শুপচিল্লগা, শম্না হেক পঞ্জরবদা নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংগী মহৈরোয় নুপামচাশিং, নুপীমচাশিংনা ইন্দিয়াগী ময়োল লমশিং নৎত্রগা খরা চাওখৎপা অচৌবা সিটিশিংদা মহৈ মশীন তম্নবগী, থবক-ইনখাং তৌবনচিংবা মরমশিংগী চৎপদা করেম কথাইনবিবা, ওফিস অমত্তদা থবক তৌমিন্নবা নুপা মশেলনা ফাওবা লমদম শোমদগী মফমদুদা থবক তৌবা মমান্নবা ফাওবদা করেম কথাইনবা/হন্থবা মীৎয়েং য়েংবা, নুপীমচাশিং কয়াদা মোলেষ্ট তৌবীবা, ফত্ত-হৌদি ফাওবা লংশিনবগী থৌদোকশিং থোকপা মতমদা মথৌ তাবদগী ৱাকৎপা মতমদা থওই ৱাইওইনা তৌবীদবদগী নিংদোন কয়া পোম্বা অসিনচিংবা কয়া অদুম থোকইবসিনি, মতুংদা অমুক থোক্লুরোইদ্রা হায়বা কনানা ঙমগনি। অসিগুম্বা থৌওংসিনা ৱান কন্ত্রি ৱান নেসন হায়নীংবগী ৱাহন্থোক্তা খুরৌ থাংবা ওইরক্লোইদ্রা হায়বা ৱাফমসিনি খন্নগদবসু।

মখা তানা অমুক খন্নবা য়াবদা, ইন্দিয়া এসিয়া কন্টিনেন্টকী মনুং চনবা সব-কন্টিনেন্ট অমা ওইরিবা অচৌবা কন্ত্রি অমনি। মথক্তসু পঞ্জখ্রে মদুদি ষ্টেট মশীং অমদি য়ুনিয়ন টেরিটোরি মশীং য়াম্বগা লোয়ননা ইন্দিয়াগী লৈঙাক্লোন পায়নবগীদমক মল্টি পোলিটিকেল পার্টিশিং য়াম্বনা ময়োল লৈঙাক পায়বগা ষ্টেট/টেরিটোরি লৈঙাক পায়বগা ফিরাল মচু মান্নদবা কয়া অমসু লৈবনা ৱাখল মান্নদবা মেনিফেষ্টো কয়া লৈবনা হেন্না মান্নদনবগী মরম কয়া অমসু ওইহল্লি। অমনা অমগী ইকায়খুম্নবা নাকল অমরোমদা খরা ৱাৎনবগুম তৌনৈ হায়বসিসু অদুম খঙনৈ। খেন্নবা মান্নদবা ময়ামগী মরক্তগী ফজবা অমত্তং ইন্দিয়াগী ওইনা হায়বা য়াবদি 'য়ুনিটি ইন দাইভর্সিটি' ওইনবা হোৎনবসিনি। মসিগীদমক অপূনবা ইন্দিয়া অমা শেল্লক্লবগী মতাংদা লৈবাক অমগী কন্সটিট্যুসন অমা, ফিরাল অমা হায়বসি মথৌ তাই খনবদগী ইন্দিয়াগী লাইওইখ্রবা পোলিটিকেল অমদি লৈবাক অমগী কন্সটিট্যুসন করম্না শেমগদগে হায়বসিদা খঙ হৈরবা কয়ানা কোক থাদরগা, বৃটিশ লৈঙাক লৈরম্বদগী ইন্দিয়াবু মচেৎ মচেৎ ওইনা থাদোক্তুনা কুমজা ১৯৪৭তা মরৈবাক্তা হনখ্রবা মতুংদা, ইন্দিয়াগী ওইবা কন্সটিট্যুসন চৎনহন্নবগী অচৌবা থৌদাং লৌখিবসিদা, হাথু-হাথুনা তৌখিবনা নৎত্রগা তুংদা থোরকপা য়াবশিংগী মতাংদা খন্নবা ঙল্লমদবসু য়াই। অদুনা মতমগা চুন্নরক্তবা ফীভম লাকপদগী অমদি কোন্না খঙ হৈরবা কয়া য়াওরকপদগী হীরম কয়াদা হাপতোক হাপচিন, লৌথোক লৌশিন তৌদুনা শেমদোক শাদোকপা (এমেন্দমেন্ট) কয়া তৌনবা লেপ্তুনা পার্লিয়ামেন্ট মীফমদা ৱারেপ লৌরিবসিনি। হৌজিক ফাওবগী জন্যুৱারী ২০২০ ফাওবদা ১০৪লকশুবা এমেন্দমেন্ট ওইনা ইন্দিয়াগী চৎনরিবা কন্সটিট্যুসন শেমদোক শাদোকপসি মখা তানা শেমদোক্কদবা কয়াম ৱাৎলিবগে হায়বসি হংবা য়ারোইদবা ৱাফম অমনি হায়না লৌবা তাই। হেন্না লুরিবা ৱাফম অমদি ইন্দিয়া দেমোক্রেসি চৎপা মালেমগী থাক্তা অচৌবা লৈবাক অমনি হায়বসি খঙনৈ। অদুবু পোলিটিকেল পার্টিশিং মশীং য়াম্বগা লোয়ননা পার্লিয়ামেন্টকী মেম্বর খন্নবা মীখলদা অমসুং ষ্টেট এসেমব্লিশিংগী মীখলদা এম এল এ মশীং পার্টিগী ফিরাল মচু অমত্তগী মীহুৎনা য়াম্না কারক্তুনা ময়োল অমসুং ষ্টেট/য়ুনিয়ন টেরিটোরি অনীমক্তা লৈঙাক্কী চুপলি পূন্না পায়বা ঙম্বদুনা তৌনীংবতা তৌবা য়াবগুম তৌবসিনি। করিগুম্বদা লৈঙাকপশিংনা শেমজবা লেজিসলেসন্দনা ফজনা শেল্লগা থবক ওইনা পাঙথোকপদা অশোয়বা হেক য়াওরকপা মতমদা ইন্দিয়া লৈঙাকসিগী এপেক্স কোর্ট ওইরিবা সুপ্রিম কোর্ট হেক য়ৌরকপা মতাংদা ব্রেক ফাবা নত্তনদি লৈঙাকপশিংনা তৌনীংবতা তৌবসিনি কিনীংঙাই ওইরিবদি। করিগুম্বা মতমদা ৱান কন্ত্রি ৱান নেসনগী ৱাফম পোলিটিকেল পার্টি শৌগৎপশিংনা কাউথোকপগুম তৌরগা লৈঙাক পায়রিবা পোলিটিকেল পার্টিদুগী খুদোংচাবা লৌনদবসু নত্তে। ●

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## অহোংবা লাক্লিবসিনি অওনবা হায়বদু

**ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,**

মতম মতমগী মতুংইন্না অহোংবা লাকপা হায়বসিদি কনানসু থিংবা ঙল্লরোই। চীং-পাৎ, তুরেল, উমং-ৱামং, ফুরা-দলান য়েংশিনবীনবা লৈত্রবদি মতমগী ঈরৈদা মশক হোংলকপা, অনৌবা অওকপা নৎত্রবনি। চীং-পাৎ, তুরেলনা অনৌবা শক্লোন লৌখিবদা, মখোয়শিংদুগী মরুম থুপ্না মতম কয়া হিংজরম্বা শা-ঙা, উপাল-ৱাপাল নৎত্রগা জিব কয়াগী পুন্সি মহিংদা চুশিন্নবা ঙমদনা শক্তম ফাওবা মুৎখিবা মশীং খঙনদ্রবা মতম ওইরি। মহৌশাগী খূৎশেমদা মীওইবগী খূৎ চঙলুবনা মালেমগী ওইনা নোংম-নোংমগী মহৌশাগী খলদা অহোংবা লাক্লিবসি পূম্নমক্লা খঙনরবসু কন্ননবা পাম্বে লৈত্রিবগুল্লি। ৱাখল তাদ্রি, ফত্তে হায়না তাক্লবসু য়েক্লবগুম খন্নরি। শম্না হায়রবদা ঈশিংগা থাউগা তিনশিন্নবা য়াদে হায়বগুম চীং-পাৎ, তুরেল, উমং-ৱামংদা তাংজরিবা মীওইবা মশেল তিনশিন্নসি য়াদ্রি। পূম্নমকসি তিনশিন্ননীংদবা ফুরুপ খরনা খূৎশেমগী মলোম শাগৎখিবনি। মসিমদি তৌদবনা ফৈ। কৈদৌদগে তাইবঙ মীওইববু শিদবা ঙন্ত্রা, শিরগা করি পুদুনা চৎখি? নুংশিনা হিংমিন্নগদবনি। পেন্নদবনা ৱাখৈনগদবনি। হিংসানা নৎত্রগা গন কলচরনা খুন্নাই শাগৎনবা হোৎনরোইসি।

মণিপুরগী হৌখিবা পুৱারী হঙ্গৎনা য়েংলুবদা চীংমী-তম্মী অসুক্কী মতিক নুংশিনরম্মী হায়বসিদি লাল্লি হায়বীগদবা লৈতে। নিংথৌ পাল্লিঙৈ মতমদসু অমুক্লা হেন্না নকশিন্ননা তিন্নরম্বগী পুৱারী কয়া লৈরি। মতম মতমগী পেন্নরক্তবদা নিংথৌনা হিংসা লাকশিন্নবা লান চত্তুনা খৎন-চৈনবা থোক্লখিবসু য়াওখি। মদুদি নিংথৌ অমগী তৌফম থোকপনি। রেভল্যুসন হায়বসিদি মতম খুদিং লৈগনি। মায় পাকপা, মায়থীবগী ৱাফম্না তোঙানবা অমা ওইখ্রে। খূৎকনবনা খুদুম চনখ্রগা তকশি শোনবগুম নিংথৌনা ঐখোয়বু তমথীনা তৌখি হায়বগী ৱা-খল্লোনদি শাগৎতবনা ফৈ। নিংথৌদি মীয়ামগীনি, মীয়াম্না লম হেল্লবদি নিংথৌনা ৱারকফম থোকপনি। হেন্না খঙগদবদি - খুদিংমক নিংথৌ, অঙম্বা নত্তে। লৈবাক মীয়াম হায়বসু লৈরি। ঙসিদি তংদু লৈতানরক্তবনা নৎত্রগা মতমগী অওনবনা চীংগা-তমগা ৱাখল্লোন্দা য়াম্না থাপতোক্লরক্লি। তশেংনা লো অমত্তনা ঙাক শেল্লিবা চীং-তমগী পুন্সি মরেল য়াম্না শাথীনা খেন্নবা উরে। তমগী ঈহৌ চীংদা মমি তাদ্রে, চীংগী ঈহৌ তমদা খঙনদ্রে। শীংচেপ থাখ্রবা ৱা-খল্লোন্দুদা তিনশিন্নরসি হায়ননবা লম্বী উনদ্রে। অদুবু লৈঙাকপশিংনদি অয়ৌবী থাক্তা মচিন-মনাওগুম তিনশিন্নবা হোৎনরি। মায়সু পাকপা ঙল্লক্লি। মসিগীদমক্তা মপি-মপা ওইরিবা লৈঙাকপশিং থাগৎতবা য়ারোই।

খজিক্তং পেন্দবদা মীয়ামগী লাইফ-লাইন ওইরিবা নেসনল হায়ৱেদা ব্লোকেদ চখ-গনি হায়বগী ৱাখল্লোন লৈরিবসি য়াম্না অখুবা মীৎয়েংনি। সোল্যুসন পুরক্লবা পাম্বে নত্তে। ৱাখল থেনমনবনা অশানবা মীৎয়েং উদবনি খন্নরিবনি। মালেমসি য়াম্না পাক চাওবনি। মণিপুরসু চীং অমদি তম হায়না খায়দোক্তুনা লৈঙাকপশিংনা কদায়দা করি শোয়খিদগে খন্না ৱানা লৈঙাক্লিবনি। চীংদা চৎসি, খুঙ্গংদা চৎসি হায়না চীং-তম পূন্না চাওখৎমিন্ননবা থৌরাং কয়া পায়খৎলিবসিনি। পূম্নমক খঙলম্লবসু ঐখোয়গী হায়বসিনা মাঙ থানরকপসিদা পূম্নমক ৱামিন্নরিবসিনি। ফনা হায়দুনসু লৌনদ্রবগুম - চীংমীনা তমগী খনবীদ্রবা, তম্মীনা চীংমীবু তাথীনা তৌবীরবদি কাঙলূপকী নুংশিনদবা ওইরক্কনি। ৱাখৈশিনবা ৱারক্কনি। হৌখিবা পূম্বা কাউথোক্লরগা তুংগী চাওখৎ লম্বীগীদমক তৰু-তনানবা লম্বী অমা থম্বীরম্বনা হৌরক্লিবা ইচা ইনাওশিংনা হেন্না চাওথোকচগনি। অহোংবা লাক্লবদি হেন্না চাওখৎপা ওইরকপসু য়াই। অওনবা লাকহনবনা চীংমী-তম্মী ঐখোয়গী থৌদাং ওইনসি।

চীংদা উমং-ৱামং মৈ থাগুমসি, ময়াই কাবা চিঞ্জাক শুংননবা পোপি পাম্বী থাগুমসি, মহৌশাগী খল কায়থহনবা হায়বসি পূম্নমক্কী মাঙজবনি। ময়াই কাবা চিঞ্জাক্লা ঈচাও থোক্লিবসি তুংগী মীরোলগী খল্লগা থিংহৌসি। লৈঙাক্লা নৎত্রগা সী এস ওশিংনা মীয়ামগীদমক পায়-খৎপা চাওখৎ থৌরাংশিং মতেং পাংশিনসি। মাঙলমচৎতা বেজ তৌরগা লম্মন খুমগনি হায়বগী ৱাখল্লোন শাগুমসি। চীং-তম অমত্তনি। কনানা চীংমীনো, কনানা তম্মীনো হংনদনা মণিপুরগীদমক অপূনবা পাঙ্গল শাগৎসি। ওন্ন-তৈনবদা কাঙলূপ, ফুরুপকী ৱাখল্লোন্নদি তুং-হনবা নত্তনা চাওখৎ লমজেলদা মাঙ থাবা য়াখিরোই। হৌজিক্তি মীৎয়েং খুদিং অওনবনা লাকহৎখ্রে। পূম্নমকসি অহোংবা নাইবনা ওইরম্বসু য়াই।

*অদোমগী - বি সী খুমন, ইম্ফাল*

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।